# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 03-02-2025)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-মণিপুর ইতিহাসকা শাগোন্নরক্লবা লৈশাং হিদেন নৌনা শেমজিন্নবা থবক পায়খৎপা হৌরে।

২) লোক্তাক পাৎ নৌনা শেমগৎনবা হোৎনবদা মীয়াম পুন্না থৌদাং লৌমিন্নবা ৱার্কস মন্ত্রি গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়রি।

**অমসুং**

৩) লৈবাক অসিগী নহাশিংনা জাতিগী মায়োক্তা লৈবা থবকশিংদা য়াওশিন্দনবা উপ-রাস্ত্রপতি জগদিব ধনখরনা আপিল তৌরি।

**সিএম(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-মণিপুর ইতিহাসকা শাগোন্নরক্লবা লৈশাং হিদেন নৌনা শেমজিন্নবা থবক পায়খৎপা হৌরে।

কাঞ্চিপুরগী লৈশাং হিদেনদা ঙরাং পাঙথোকপা ৱার্ল্ড ৱেটলেন্দস ডেগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-রাজ্য অসিগী মরুওইবা তুরেলশিং, পাৎশিং অমসুং ৱাতর বোদিশিং নৌনা শেমজিনবগী থবক চথুবা হৌরে। মসিনা মণিপুরদা ইকো-টুরিজম হেন্না চাউখৎহন্দুনা লম কোইবশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা হোৎনরি। ৱাতর বোদিশিং নৌনা শেমজিনবনা মফম অদুগী ইকোসিস্তেম অমসুং অকোইবগী ফীভম ফগৎহনবগা লোইননা চাউখৎ মাইকৈদা চংশিন্নবা হোৎনবদা

চাউনা মতেং ওইগদৌরিবনি। মহৌশাগী ফীভম ফনা লৈবা হেন্না চাউখৎপা মণিপুর অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমকা পুন্না থৌদাং লৌমিন্নসি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা আপিল তৌখি।

**--সাউন্দ বাইট--সিএম**

ৱার্ল্ড ৱেটলেন্দস ডেগী থৌরম বিষ্ণুপুর জিলাগী সেন্দ্রাদসু পাঙথোকখি। লোক্তাক দেভলপমেন্ট ওথোরিতিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রাজ্যপাল অজৈ কুমার ভাল্লানা ৱেটলেন্দশিং কন্নবা অমদি নৌনা শেমজিন্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা রাজ্যপালনা লোক্তাক ৱাতর বার্দ সেন্সস রিপোর্ট ২০২৫ অমসুং ৱাতর বার্দস ওফ লোক্তাক লেক হায়বা বুকলেট অমসু ফোঙখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ৱার্কস মন্ত্রি গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়- লোক্তাক পাৎ কন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় পুমমকা পুন্না থৌদাং লৌমিন্নবা তঙাইফদে। মহাকা হায়-এন.ঐচ.পি.সিগী লোক্তাক হাইদ্রো প্রোজেক্টনা পাৎ অসিগী ইকোসিস্তেমদা অকাইবা কয়া থোকহল্লক্লি। মরম অদুনা পাৎ অসি নৌনা শেমগৎনবা হোৎনবদা এন.ঐচ.পি.সিগীসু চাউরবা থৌদাং লৈ। মন্ত্রিনা হায়- মণিপুরগী মীয়ামা লোক্তাক পাৎ অসি ঐখোয়গী ইমানি হায়না লৌনরিবনি। মরম অদুনা কাংলুপকী খেৎনবা থমদনা পাৎ অসি কন্নবা হোৎনবদা সরকার, ইনভাইরনমেন্তেল গ্রপশিং অমসুং পাৎ অসিগী অকোইবদা খুন্দারিবা মীওইশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নগদবনি।

**--সাউন্দ বাইট--গোবিন্দাস**

থৌরম অদুদা, ৱা ঙাংবদা লোক্তাক দেভলপমেন্ট ওথোরিতিগী চেয়রমেন এম.অস্বিনিকুমারনা হায়-লোক্তাক পাৎ অসি মণিপুরগী কলা সংস্কৃতি অমসুং খুন্নাইগী শেন্মিৎলোনগা য়ামা চাউনা মরি লৈনবা মফম অমনি। পাৎ অসিনা ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা পাৎ অসিগী অকোইবদা খুন্দারিবা মীয়ামগী হিংনবগী পান্থে ওইদুনা লাক্লি। অসিগুম্বা মরুওইবশিং অসি য়েংলগা লোক্তাক দেভলপ মেন্ট ওথোরিতিনা পাৎ অসিবু নৌনা শেমগৎনবা লেপ্পা লৈতবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলি হায়নসু শ্রী অস্বিনিকুমারনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অসাম রাইফলসনা রাজ্যগী ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ দাইরেক্তোরেট অমসুং কোম্লাখোঙ য়ুথ দেভলপমেন্ট এসোসিএসনগা খূৎশমদুনা ৱার্ল্ড ৱেটলেন্দস ডেগী থৌরম ঙরাং লোক্তাক পাৎতা পাঙথোকখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা লোক্তাক পাৎকী অকোইবদা লমতু শেংদোকপগী থৌরম অমসু পাঙথোকপগা লোয়ননা উ-চারাশিং থাখি হায়রি।

**ককচিং(এল) ঃ** জিবন হোস্পিতাল অমসুং বর্ম কুমারি ককচিংনা পুন্না শিন্দুনা এদিসন ফ্রি মণিপুর কেম্পেইন অমা ঙরাং ককচিংদা লৈবা জিবন হোস্পিতালগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। নাসামুক্তা ভারত অভিয়ানগী মখাদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মেদিটেসনগী পান্থেনা করমা দ্রগতা লাইচুবা হন্থহনগনি হায়বনচিংবা হীরম কয়াদা অখণ্ড অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

**উত্রা(এল) ঃ** ইম্ফালগী সনাকোনুংদা লৈবা উত্রা শংলেনদা ঙরাং লোইমোম ফৌবোৎ কারকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। সনাকোনুংদা লৈরিবা লাইনিংথৌ নোংশাবা, ইভুধৌ পাখঙবা অমদি ইবেন্ধৌ য়ুমজাউ লাইরেম্বী থৌগলগীদমক অমসুং কোনুংগী চহীগী ওইবা মশিল অমা ওইনা উমং লাই লাইবুংশিংগা ফৌ কারকপা হৌখিবনি হায়রি।

**এআর(এল) ঃ** ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চত্থরিবা দি.জি.এ.আর মেন্স এন্দ ৱিমেন্স পোলো চেম্পিয়নশিপকী ঙরাং ১৩ নি চনবা নুমিত্তা শান্নখিবা নুপীগী মেটচ অমদা লিন্থোইঙন্বী কে.এলনা চিংখৈহুনবা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৭-৬ তা থোইখ্রে।

**এথলেতিক্স(এল) ঃ** কেরলাগী ত্রিসুরদা চত্থরিবা ৬ শুবা নেসনেল মাষ্টর এথলেতিক্স চেম্পিয়নশিপকী ঙরাং হুমি চনবা নুমিত্তা মণিপুরনা সনাগী তকমান ১১, লুপাগী ৫ অমসুং শেঞ্জেংগী ৭ ফংবা ঙমখ্রে। সনাগী তকমানশিং অদু টু হন্দ্রেদ মিতর রেস, ৱান থৌজন্দ ফাইভ হন্দ্রেদ মিতর রেস হর্দলস অমদি দিস্কস থ্রোদা ফঙখিবনি। চহী ৩০ মথক্কী দিস্কস থ্রোদা অকাশবানি ইম্ফালগী দেক্স ইদিতর ক্ষেত্রিময়ুম প্রেমচান্দনা শেঞ্জেংগী তকমান অমা ফংখি।

**ইশ্রো ঃ** ইশ্রোনা এন.ভি.এস-জেরো টু সেটিলাইট অপাম্বা ওর্বিত্তা থমবা হোৎনবদা সেটিলাইট অদু পুরিবা স্পেসক্রাফট মৈ চাক্লকপদগী মাই পাকপা ঙমখিদ্রে। অদুম ওইনমক সেটিলাইট অদুদি অশোয় অঙাম য়াওদনা ইলিপ্টিকেল ওর্বিত্তা হৌজিক লৈরি। সেটিলাইট অসি নেজিগেসনগীদমক মফম চানা থমনবা অতোপ্পা মিসন অমা পাঙথোকবা থবক পায়খৎপা হৌরে। ইশ্রোগী পাউনা হায়- সেটিলাইট অসি মমাঙ থাগী ২৯ দা শ্রী হরিকোতাদগী জি.এস.এল.ভি-এম.কে-টু রোকেট শিজিন্নদুনা কাপখৎখিবনি। মসি ইশ্রোগী ১০০ শুবা ওইনা থাগৎখিবা সেটিলাইটনি।

**ধনখরঃ** লৈবাক অসিগী নহাশিংনা জাতিগী মায়োক্তা লৈবা থবকশিংদা য়াওশিন্দনবা উপ-রাস্ত্রপতি জগদিব ধনখরনা আপিল তৌরি।

নিউ দেল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা ৱার্ল্ড ফোরম ওফ একাউন্তেন্সকী মীফমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী ধনখরনা হায়- আইন কাইনা চংশিল্লকপা মীতোপশিংনা

ইলেক্তোরেল পোলিতিক্স অমসুং দেমোগ্রাফিক্তা অকাইবা থোকহল্লোইদবনি। অরানবা ৱাফমশিং শন্দোরকপদা থাজবদগী কনাগুম্বা খরদি লৈবাক অসিগী চাউখৎলকপগী খোঙজেল অসিদা নুঙাইবা পোক্তবসু য়াওরি। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি হৌরক্লিবা নহারোলশিংনা থেংনদুনা অরানবা ৱাখল্লোনশিং অসি চুমথোকবা হোৎনবদা অচৌবা থোদাং লৌনবসু শ্রী ধনখরনা আপিল তৌখি।

**অমৃটঃ** রাস্ত্রপতি ভবনদা লৈবা অমৃট উধয়ান মীয়ামা য়েংবা য়ানবগীদমক মার্চ ৩০ ফাওবা হাংদোক্লে হায়রি। ঙরাং পাঙথোকখিবা অমৃট উধয়ান ৱিন্তর এন্যুএলস ইদিসন ২০২৫ রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হৌনবী মতুং ইন্না হাংদোকখি। মীয়ামা চয়োল অমগী মনুংদা নিংথৌকাবা য়াওদনা নুমিৎ ৬ নি য়েংবা য়াগনি হায়রি। থা অসিগী ৫ দনা দেল্লি বিধান সভা মীখল লৈবা মরমা থোং হাংলোই। লৈকোল অসিদা চংবদা এন্ত্রি ফি লৌরোই।

**গেমস (এল)ঃ** উত্তরাখন্দদা চথুরিবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা মনিপুর সনাগী তকমান ১১, লুপাগী ৯ অমসুং শেঞ্জেংগী ৫ পুন্না তকমান ২৫ ফংদুনা মেদল টেল্লিগী মরিশুবা মফমদা লৈরি।

মণিপুরগী লাইশ্রম দেক্সন সিংহনা নুপাগী ৱান মিটর স্প্রিং বোর্দ ইভেন্টতা ঙরাং শেঞ্জেংগী তকমান অমা লৌবা ঙমখ্রে।

মেদল টেল্লিদা সাভির্সেস স্পোর্টস কন্ত্রোল বোর্ডনা সনাগী ১৪, লুপাগী ৭ অমসুং শেঞ্জেংগী মঙা পুন্না তকমান ২৬ ফংদুনা মেদল টেল্লিগী খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি।

করনাতকনা সনাগী ১৩ য়াওনা পুন্না তকমান ২৩ ফংদুনা অনিশুবদা অমসুং মহারাস্ত্রনা সনাগী ১১ য়াওনা পুন্না তকমান ৪১ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ৱার্ল্ড ৱেটলেন্দ ডেগী থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউ, এসেমব্লি সেসনদা এন.পি.পিগী এম.এল.এশিং ওপোজিসন বেঞ্চতা ফম্লগনি হায়না স্পিকরনা ফোঙদোকখিবা, কোকোমিনা অৱাং নোংপোক্তা নার্কো টেরোরিষ্ট ইমর্জেন্সি লাউথোকপীনবা তকশিনখিবগী পাউনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙনরি।

মণিপুরদসু ষ্টেটকী থাক্তা ৱার্ল্ড ৱেটলেন্দ ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে, য়ানা য়ানবা চৎপগী পোলিতিক্সনা ঐখোয় ঙকশম য়ৌনা পুথখিবনি: এন.বিরেন-হায়না সনালৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাড অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন, তামেংলোং তাইমস, মণিপুর নিউজ অমসুং মোর্নিং বেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ফেব্রুৱারি ১০ দগী হৌগদৌরিবা এসেমব্লি মীফমদা এন.পি.পিগী এম.এল.এশিংগী ফমফম ওপোজিসন বেঞ্চতা থৌরাং তৌগনি: স্পিকর-হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইফুট চাদা ৫২ কংখ্রে, ইফুট শেমজিনবা মথৌ তাই নৎত্রবদি ঐখোয় মপালগী ষ্টেটতগী ঈশিং লৈবা তাই হায়বা এনভাইরনমেন্ট দাইরেক্তরগী ৱাফমা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

অসামদসু পোপী থারিবশিং পাক শন্না মাংহনবা হৌখ্রে, সি.এম.বিরেননা অসাম সরকার থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে হায়বা পাউ মণিপুর নিউজকী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

চহী অনি ফাজিল্লক্লবা লান অসিগী চপ চাবা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদবা অসিনা ষ্টেট অসি চহী ৩০ মনিং হল্লগনি: নুরুল হাসন-হায়না ইচেল এক্সপ্রেসকী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

নার্কো টেরোরিষ্ট ইমর্জেন্সি লাউথোক্তুনা এন্তি নার্কোতিক্স বিউরো

লিংখৎনবা নোর্থ ইষ্টকী সি.এমশিংদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে:কোকোমি-হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

কে.ভি.কে সেনাপতিগী ২৯ শুবা সাইন্তিফিক এদভাইজরি কন্মিতিগী মীতিং পাঙথোকখ্রে-হায়বা পাউ হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

সরকারনা বোর্দর ফেন্সিং খাবা, মীতোপ মশক খঙদোকপা অমসুং দ্রগ মুখৎনবা হোৎনরি-হায়না মুখ্য মন্ত্রি বিরেননা ফোঙদোকখিবা ৱাফম গানফিউ মেলগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**